





*থাইলেন্দ মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রবী জপানগী শান্নরোই অকানে য়ামাগুচি*

*মণিপুরগী ফুটবোল ক্লব ট্রাও এফ সিগী কোচ ওইবগী ফমদগী লৌথোকখ্রবা দিমিত্রিজ দিমিত্রিউ*

## পদ্ম ভিভুষন ফংখ্রবী বোক্সর এম সি মেরি কোম ভারত রত্ন ফংনিংবগী অপাম্বা লৈরি



*ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ২৬ (এজেন্সি)ঃ*

লৈবাক অসিগী সিভিলিয়ানশিংদা পীবা এৱার্দ পদ্ম ভিভুষন ফংখ্রবী মণিপুরগী নুপী বোক্সর এম সি মেরি কোমনা লৈবাক অসিগী সিভিলিয়ানশিংদা পীবা খ্বাইদগী চাওবা মনা ভারত রত্ন ফংনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখ্রে।

মেরি কোমনা ঙসি পদ্ম ভিভুষন মনা ফংখিবা অসি লৈবাক অসিগী নুপী স্পোর্টসপার্সনশিংগী মনুংদা অহানবনি। মহাক্না টোকিও গেমসতা গোল্ড মেডল ফংদুনা ভারত রত্ন ফংনবগী পান্দম থল্লি হায়না মেরি কোমনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মশাগী চহী ৩৬ শুরবী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন তরুক্লক ফংবা ঙমখ্রবী এম সি মেরি কোমনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী হৌজিক-হৌজিক্কী পান্দমদি টোকিও ওলেম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইবনি। ক্বালিফাই ওইরবা মতুংদা মেডলগী মচু অদু খনগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

করিগুম্বা টোকিও ওলেম্পিক গেমসতা ক্বালিফাই ওইদুনা গোল্ড মেডল ফংবা ঙম্লবদি ঐহাক্না শোয়দনা ভারত রত্ন এৱার্দ ফংবা ঙমগনি হায়বা থাজে হায়না মেরি কোমনা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মখা তানা ফোঙদোকখি।

লৈবাক অসিগী সিভিলিয়ানশিংদা পীবা খ্বাইদগী চাওবা মনা ওইরিবা ভারত রত্ন এৱার্দ অসি ক্রিকেট লিজেন্দ সচিন টেন্দুলকর খক্তমক ফংবা ঙল্লি। করিগুম্বা মেরি কোমনা এৱার্দ অসি ফংবা ঙম্লবদি অনীশুবা স্পোর্টসপার্সন ওইবা ঙম্লগনি লোয়ননা নুপীগী কাঙলূপ্তা অহানবা ওইগদৌরিবনি।

লৈবাক অসিগী সিভিলিয়ানশিংদা পীবা মনা পদ্ম ভিভুষন এৱার্দ ফংখিবা অসিদা মেরি কোমনা নুংঙাইবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাকসু এৱার্দ অসিগীদমক রিকমেন্দ তৌবিরকপগীদমক স্পোর্টস মিনিষ্টরবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। লোয়ননা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টরবুসু মহাক্না এৱার্দ অসি ফংনবা হোৎনবদা চাওনা শৌগৎপীরকপগীদমক থাগৎ ৱাহৈ ফোঙদোকখি।

## জপানগী অকানে য়ামাগুচিনা থাইলেন্দ মাষ্টর্সকী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে

*বেঙ্কোক, জনুৱারি ২৬ (এজেন্সি)ঃ*

থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোক্তা থা অসিগী ২১ দগী চখরকপা য়ু এস দোলর ১৭০,০০০ শেলগী মনা লৈবা থাইলেন্দ মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা জপানগী অকানে য়ামাগুচিনা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে।

থাইলেন্দ মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা নম্বর ৱান সিদেদ জপানগী অকানে য়ামাগুচিনা ৩শুবা সিদেদ সাউথ কোরিয়াগী অন সে য়ংবু ষ্ট্রেট গেম অনী ২১-১৬, ২২-২০ দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ৩শুবা সিদেদ হোং কোংগী ঙা কা লোং এঙ্গসনা জপানগী কেন্টা নিসিমোটোবু গেম ২-১ দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা গেমদা জপানগী কেন্টা নিসিমোটোনা হোং কোংগী ঙা কা লোংবু ২১-১৬ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি। মখা তানা শান্নরকপা থংনবা গেম অনীদা হোং কোংগী ঙা কা লোংনা ২১-১৩, ২১-১২ দা থোইবা ঙমদুনা নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল অসি লৌবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা মালেসিয়াগী পেয়র ওং য়িউ সিন অমসুং টিও ই য়িনা চাইনাগী পেয়র হুৱাং কাইজিয়াং অমসুং লিয়ু চেংবু ১৮-২১, ২১-১৭, ২১-১৭ দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

নুপীগী দবলসকী ফাইনেলদনা নম্বর ৱান সিদেদ চাইনাগী পেয়র চেন কিংচেন অমসুং জিয়া য়িফাননা সাউথ কোরিয়াগী বেক হা না অমসুং জুং কিয়ুং ইয়ুনবু ১৭-২১, ২১-১৭, ২১-১৫ দা থোইদুনা টাইটল লৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসকী ফাইনেলদা ৬শুবা সিদেদ ইংলেন্দগী মার্কস ইলিস অমসুং লোরেন স্মিথনা ইন্দোনেসিয়াগী হাফিজ ফাইজাল অমসুং গ্লোরিয়াবু ২১-১৬, ১৩-২১, ২১-১৬ দা থোইখি।


ꯑꯩꯁꯦꯛ SL/5771/26+15 days

AISECT Academy for IT & Management
Academy for Teachers Training

ADMISSION OPEN

*M. Sc.(IT) | M. Sc.(CS)| MSW | M. Lib
M. Com | MA | M. Sc.| BCA | B.Sc. (IT)

PGDCA | DCA | CCA | CCC

Diploma in Nursery Teachers Training
12 Pass | 1 year
Certificate in Nursery Teachers Training
12 Pass | 6 Months

*30+ programmes in IT|Mgmt|Comm|Arts|Sc. Faculties
*Distance & Private programmes under
Dr. C.V. Raman University & Rabindranath Tagore University

For details, feel free to visit:
AISECT Thoubal Wangmataba, AISECT Building
#7005356020


ক্রোসৱার্দ ৪১১ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | P | O | T | | T | R | A | M | P | | S | E | A | M |
| L | A | V | A | | R | A | D | I | O | | P | A | R | E |
| O | P | A | L | | I | C | O | N | S | | A | S | I | A |
| P | A | L | E | T | T | E | | N | E | A | R | E | S | T |
| | | | | H | E | D | G | E | | I | S | L | E | S |
| E | L | O | P | E | | | A | S | I | D | E | | | |
| L | O | B | E | | G | A | L | O | R | E | | O | P | T |
| S | P | O | N | S | O | R | | T | A | S | T | I | E | R |
| E | S | E | | K | O | R | E | A | N | | A | L | T | O |
| | | | T | E | N | O | R | | | I | N | S | E | T |
| S | U | S | H | I | | G | R | E | E | T | | | | |
| A | N | T | E | N | N | A | | B | A | S | E | H | I | T |
| L | I | A | R | | E | N | T | E | R | | D | I | R | E |
| S | O | R | E | | S | C | O | R | N | | E | R | I | E |
| A | N | T | S | | T | E | N | T | S | | N | E | S | S |

## পদ্ম শ্রী ফংখ্রবী বেম্বেম এ আই এফ এফ না থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে



*ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ২৬ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী অহানবা নুপী ফুটবোল্লর অমা ওইনা পদ্ম শ্রী এৱার্দ ফংখ্রবী মণিপুরগী ফুটবোল্লর ওইনাম বেম্বেম দেবীবু ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) না থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

এ আই এফ এফকী প্রসিদেন্ট প্রফুল পটেলনা থাগৎ ৱাহৈ ফোঙদোক্লদুনা বেম্বেমদগী অহেনবা অতোপ্পা অমত্তা লৈতে। মহাক ইন্দিয়াগী ফুটবোলদা রোল মোডেল অমা ওইরি। বেম্বেমনা চহী খরা অসিদা ইন্দিয়াদা পীবা এৱার্দ কয়া ফংবা ঙমখ্রে। মহাক্কী মতেংদগী নহা ওইরিবী নুপী ফুটবোল শান্নরোইশিংবু অনৌবা থৌনা হাপ্তুনা ইন্দিয়াগী ফুটবোল অৱাংবা থাক্তা পুখৎপা ঙম্লগনি হায়না প্রফুল পটেলনা মখা তাখি।

এ আই এফ এফকী জেনরেল সেক্রেটরী কুসল দাসনা বেম্বেমদা থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা মহাক অসি লিভিং লিজেন্দনি। মহাক্না ফ্লেগ পায়দুনা চহী খরা অসিদা ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম্বু লুচিংখি। চৎলিবা চহী অসি ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা ফিফা য়ু-১৭ ৱুমেন'স ৱার্ল্ড কপ পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা মহাক্কী মতেংদগী ইন্দিয়াগী ফুটবোলদা চাওনা অহোংবা অমা লাক্লগনি।

বেম্বেমনা মশা অসি পোথাদ্রিঙৈগী মমাঙদা মহাক্কী নোলেজ অদু সেয়র তৌনবা ইন্দিয়ান নেসনেল এজ গ্রুপ টিমশিংগী কোচ ওইবগী থৌদাং পুহনখি। লোয়ননা ক্লব লেবেলদসু মহাক্কী চাওরবা থৌদাং য়াওরি। মহাক্কী প্রোফেসনেল অমসুং পার্সোনেল লাইফতা হেন্না ফবা ওইরনসু হায়না কুসল দাসনা মহাক্কী থাগৎপা ৱাহৈ অদুদা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ইন্দিয়ানা ন্যু জিলেন্দবু ৱিকেট ৭ তা মায়থিবা পীদুনা সেরিজ ২-০ দা মাঙজিল থাখ্রে



*ওকলেন্দ, জনুৱারি ২৬ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়ানা ন্যু জিলেন্দ টুরগী মনুং চন্না ঙসি ওকলেন্দদা শান্নখিবা অনীশুবা টি-২০ মেটচতা লোকেস রাহুল অমসুং শ্রেয়াস আয়রগী ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্সনা ইন্দিয়ানা ন্যু জিলেন্দবু ৱিকেট ৭ তা মায়থিবা পীদুনা সেরিজ ২-০ দা মাঙজিল থাখ্রে।

অনীশুবা টি-২০ মেটচ অসিগী টোস ন্যু জিলেন্দনা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখি। মখোয়না হান্না বেট্টিং তৌদুনা শান্নরকপদা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৫ আওট ওইরগা রন ১৩২ লৌবা ঙমখি।

ন্যু জিলেন্দগী অহানবা বেট্টিং অদু হৌরকপদা য়াম্না ফজরকখি। অদুবু মিডল ওর্দর বেটসমেনশিংরন নীংথিনা লৌবা ঙমখিদবদগী মখোয়গী অপুনবা রন অদু ৱিকেট ৫ আওট ওইরগা রন ১৩২ খক লৌখিবনি।

ওপনর অনীনা অহানবা ৱিকেট পার্টনর্সিপ্তা রন ৪৮ লৌরমখি। ওপনর মার্টিন গুপ্তিল বোল ২০ দা সিক্স ২ অমদি ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৩৩ লৌরম্লগা আওট ওইখি। ইকান কান্নদনা অতোপ্পা ওপনর কোলিন মুনরোসু রন ২৬ দা আওট ওইখি।

নৌনা চঙলকখিবা ন্যু জিলেন্দগী কেপ্টেন কেন ৱিলিয়মসনসু শুপ্নগী রন ১৪ খক লৌরম্লগা আওট ওইখি। নৌনা চঙলকখিবা কোলিন দি গ্রান্দহোমেসু রন ৩ দা আওট ওইখি।

মখা তানা চঙলকখিবা রোজ টেলরসু রন ১৮ হাপচিনবা ঙমখি। ৬শুবা বেটসমেন টিম সৈফর্টনা বোল ২৬ তা সিক্স ২ অমদি ফোর ১ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ৩৩ লৌরম্বা অসিনা টিম অসিগী খ্বাইদগী ফজবা স্কোর ওইখি।

ইন্দিয়াগী বোল্লিংদা রবিন্দ্র জাদেজানা ন্যু জিলেন্দগী বেটসমেন ২ আওট তাহন্দুনা খ্বাইদগী মায় পাকপা বোল্লর ওইখি। সারদুল থাকুর, জস্প্রিট বুমরাহ অমসুং সিভম দুবেনা ন্যু জিলেন্দগী বেটসমেন অমমম আওট তাহনবা ঙমখি।

ইন্দিয়ানা মায় পাক্লবগী রন ১৩৩ লৌবগী মথৌ তাখিবা অদু ১৮শুবা ওভরগী ৩শুবা বোলদা বেটসমেন ৩ আওট ওইরগা লৌবা ঙমদুনা ৱিকেট ৭ তা মায় পাকখি।

ইন্দিয়াগী ওপনর রোহিট শর্ম্মা শুপ্নগী রন ৬ তা আওট ওইখি। নৌনা চঙলকখিবা কেপ্টেন ভিরাট কোহলিসু শুপ্নগী রন ১১ খক লৌরমখি। অতোপ্পা ওপনর লোকেস রাহুল অমদি ৪শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা শ্রেয়াস আয়রনা য়াম্না ফজবা বেট্টিংপী পার্টনর্সিপ অমা শেম্বা ঙমদুনা মেটচ অসি ৱিকেট ৭ তা মায় পাকপা ঙমখি।

ওপনর লোকেস রাহুলনা বোল ৫০ দা সিক্স ২ অমদি ফোর ৩ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ৫৭ লৌরম্বা অসিনা টিম অসি গী খ্বাইদগী ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স ওইখি। ৪শুবা বেটসমেন শ্রেয়াস আয়রসু ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স পীদুনা বোল ৩৩ দা সিক্স ৩ অমদি ফোর ১ য়ৈরগা রন ৪৪ লৌরমখি।

## স্পেনগী লা লীগাদা সিভিলানা গ্রানাদাবু থোইখ্রে

*মাদ্রিদ, জনুৱারি ২৬ (এজেন্সি)ঃ*

স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লা লীগাগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা সিভিলানা গ্রানাদাবু গোল ২-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিগী ১১শুবা মিনিটতা সিভিলাগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা ল্যুক দি জোংনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি। মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৩৪শুবা মিনিটতা সিভিলাগী অতোপ্পা শান্নরোই নোলিটোনা গোল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অসি ২-০ দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা ভিলারিয়েলনা দিপোর্টিভো অলাভেসপু ২-১ দা থোইখি। মেটচকী ১০শুবা মিনিটতা ভিল্লারিয়েলগী শান্নরোই কার্লোস বাক্কানা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা মতম কুইনা অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্মদনা লাকখ্রবা মতুং মেটচকী ৮০শুবা মিনিটতা দিপোর্টিভো অলাভেসকী শান্নরোই জোসেলুনা গোল অমা চন্দুনা ১-১ দা মান্নহনবা ঙমখি।

মেটচ লোইগদবা মিনিট অমখক্ত্ত্রা ঙাইরবা মতমদা ভিল্লারিয়েলগী শান্নরোই ফর্নান্দো নিনোনা গোল অমা চন্দুনা মেটচ অসি মখোয়না গোল ২-১ দা মায় পাকখি।

## নুপাগী টিম মায়থিদুনা ওলেম্পিক্স কোটাগী খুদোংচাবা ফংখিদ্রে

*গোন্দোমার, জনুৱারি ২৬ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপা টেবল টেন্নিস টিম চেক রিপব্লিক্কী মখূত্তা মেটচ ১-৩ দা মায়থিহৌদুনা ইন্দিয়াগী নুপা টিম ওলেম্পিক ক্বালিফিকেসনগী খুদোংচাবা ফংখিদ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপা টিম্না ঙসি চেক রিপব্লিক্কা শান্নখিবা প্লে ওফকী অহানবা মেটচ দবলসতা ইন্দিয়াগী পেয়র জি সাথিয়ান অমুসুং সরাথ কমাল চেক রিপব্লক্কী পেয়র টোমাস পোলান্সকী অমসুং লুবোমির জানকারিক্কী মখূত্তা মায়থিহৌখি।

চেক রিপব্লিক্কা শান্নখিবা প্লে ওফ অসিদা ইন্দিয়াগী সরাথ কমালনা সিঙ্গলসকী মেটচতা চেক রিপব্লিককী লুবোমির জানকারিকপু ৬-১১, ১১-৭, ১১-৮, ১১-৮ দা মায়থিবা পীখিবা অসি নত্তনা অতোপ্পা মেটচশিং মায়থিবা নংখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, মমাঙদা ফ্রান্সকা শান্নখিবা প্লে ওফতা ইন্দিয়াগী নুপী টেবল টেন্নিস টিমসু মেটচ ২-৩ দা মায়থিবা নংদুনা ওলেম্পিক কোটাগী খুদোংচাবা মাঙজখিবনি।

## ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন ঃ ইন্দিয়াগী রোহন বোপান্না অমসুং য়ুক্রেনগী নদিয়া কিচেনোক মিক্স দবলসতা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে



*মেলবর্ন, জনুৱারি ২৬ (এজেন্সি)ঃ*

চহী অসিগী অহানবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওষ্ট্রেলিয়ান ওপনদা ইন্দিয়াগী রোহন বোপান্না অমসুং য়ুক্রেনগী নদিয়া কিচেনোক মিক্স দবলসকী কাঙলূপ্তা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মিক্স দবলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমসুং য়ুক্রেনগী নদিয়া কিচেনোকনা নিকোল মেলিচর অমসুং ব্রাজিলগী ব্রুনো সোরেজবু ৬-৪, ৭-৬(৭-৪) দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

মিক্স দবলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী লিয়েন্দর পেস অমসুং লাটভিয়াগী জেলেনা ওষ্টাপেনকোনা ওষ্ট্রেলিয়াগী পেয়র ষ্টোর্ম সান্দর্স অমসু মার্ক পোলমেন্সপু ৬-৭(৪-৭), ৬-৩, ১০-৬ তা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

নুপীগী সিঙ্গলস ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিসু ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ৪শুবা রাউন্দগী মেটচতা ১৮শুবা সিদেদ য়ু এসকী এলিসন রিস্কেবু ৬-৩, ১-৬, ৬-৪ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা ৭শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারিবী চেক রিপব্লিক্কী পেত্রা ক্বিটোভাসু ঙসি শান্নখিবা ৪শুবা রাউন্দদা ২২শুবা সিদেদ গ্রিসকী মারিয়া সকারিবু সেট অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ৬-৭(৪-৭), ৬-৩, ৬-২ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

টুনিসিয়াগী শান্নরোই ওন্স জাবেউরনা ২৭শুবা সিদেদ চাইনাগী ৱাং কিয়াংবু ৭-৬(৭-৪), ৬-১ দা মায়থিবা পীদুনা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসতা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়া ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ৪শুবা রাউন্দগী মেটচতা ২শুবা সিদেদ সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিসনা ১৪শুবা সিদেদ আর্জেন্টিনাগী দিএগো স্বাটজমেনবু ষ্ট্রেট সেট ৬-৩, ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নুপাগী সিঙ্গলসতা ৩শুবা সিদেদ ওইরিবা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা হঙ্গেরিগী শান্নরোই মার্টোন ফুকসোভিসপু ৪-৬, ৬-১, ৬-২, ৬-২ দা থোইদুনা কাঙলূপ অসিদা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

৩২শুবা সিদেদ কানাদাগী মিলোস রাউনিক্না ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ৪শুবা রাউন্দগী মেটচতা ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিকপু ষ্ট্রেট সেট ৬-৪, ৬-৩, ৭-৫ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী দবলসকী ৩শুবা রাউন্দদা নম্বর ৱান সিদেদ চাইনিজ তাইপৈগী সৈ সু ৱৈ অমসুং চেক রিপব্লিক্কী বারবোরা ষ্ট্রাইকোভানা ক্রোএসিয়াগী দারজিয়া জুরাক অমসুং সর্ভিয়াগী নিনা ষ্টোজানোভিসপু ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থিবা পীদুনা কাঙলূপ অসিদা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।


**In the Court of Sub-Deputy Collector**
**Sagolmang, Imphal East, Manipur**

*Ref. :- Mutation Cass No. 25/SDC/SLG/IE of 23/1/2020*

Laishram Mohendro Singh S/o (L) Leiren Singh of Khurai Sajor Thoidingjam Leikai

***- Petitioner***

***-Verses-***

(Late) Laishram Leiren Singh S/o (L) Udhop Singh of Khurai Sajor Leikai

***- Opposite Party***

**NOTICE**

*Sagolmang, Dated 23/1/2020*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতূং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ইঃ ইঃ তহশিল খুল নং 31-Waiton পাট্টা নং -- (অরিবা) 801 (অনৌবা), দাগ নং 128-352/378 মোট এরিয়া .73+.15=.88 একর চাওবা Anganphou অমসুং Phourel লৌফমগী Pattadar মৃত্তু ওইখ্রে মরম অসিনা মথক্কী পেতিস্নর অসিনা মৃত্তু পাট্টাদারগী মিং কক্লগা applicant গী মমিংদা নমা পানবিরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃত্তু পাট্টাদারগী মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা অপতি Objection তৌনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা অপতি/Objection তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা অপতি চে লৌজরোই, কোটকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চৎথরগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Sagolmang, Imphal East

**SL/5772(6)/27**



**In the Court of Sub-Deputy Collector**
**Sagolmang, Imphal East, Manipur**

*Ref. :- Mutation Cass No. 26/SDC/SLG/IE of 23/1/2020*

Laishram Mohendro Singh S/o (L) Leiren Singh of Khurai Sajor Thoidingjam Leikai

***- Petitioner***

***-Verses-***

(Late) Laishram Leiren Singh S/o (L) Udhop Singh of Khurai Sajor Leikai

***- Opposite Party***

**NOTICE**

*Sagolmang, Dated 23/1/2020*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতূং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ইঃ ইঃ তহশিল খুল নং 31-Waiton পাট্টা নং -- (অরিবা) 799 (অনৌবা), দাগ নং 127 মোট এরিয়া .73 একর চাওবা Anganphou লৌফমগী Pattadar মৃত্তু ওইখ্রে মরম অসিনা মথক্কী পেতিস্নর অসিনা মৃত্তু পাট্টাদারগী মিং কক্লগা applicant গী মমিংদা নমা পানবিরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃত্তু পাট্টাদারগী মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা অপতি Objection তৌনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা অপতি/Objection তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা অপতি চে লৌজরোই, কোটকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চৎথরগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Sagolmang, Imphal East

**SL/5772(7)/27**



**In the Court of Sub-Deputy Collector**
**Sagolmang, Imphal East, Manipur**

*Ref. :- Mutation Cass No. 27/SDC/SLG/IE of 23/1/2020*

Laishram Mohendro Singh S/o (L) Leiren Singh of Khurai Sajor Thoidingjam Leikai

***- Petitioner***

***-Verses-***

(Late) Laishram Leiren Singh S/o (L) Udhop Singh of Khurai Sajor Leikai

***- Opposite Party***

**NOTICE**

*Sagolmang, Dated 23/1/2020*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতূং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ইঃ ইঃ তহশিল খুল নং 31-Waiton পাট্টা নং -- (অরিবা) 814/975 (অনৌবা), দাগ নং 203 মোট এরিয়া .49 একর চাওবা Anganphou লৌফমগী Pattadar মৃত্তু ওইখ্রে মরম অসিনা মথক্কী পেতিস্নর অসিনা মৃত্তু পাট্টাদারগী মিং কক্লগা applicant গী মমিংদা নমা পানবিরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃত্তু পাট্টাদারগী মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা অপতি Objection তৌনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা অপতি/Objection তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা অপতি চে লৌজরোই, কোটকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চৎথরগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Sagolmang, Imphal East

**SL/5772(8)/27**